**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-03-2025)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরদা থা অহুমগী মনুংদা দিলিমিতেসন তৌগনি হায়রিবদুগা মরী লৈননা এম.এল.এ- আর.কে. ইমোনা কেন্দ্র সরকারদা রিপ্রজেন্টেসন অমা লানখৎখ্রে।

২) মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি ৪৪ রক শুবা ৱার্ল্ড টি.বি. ডেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি।

৩) জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা নৌনা ইন্সটোল তৌরবা অলত্রাসোনোগ্রফি অমসুং এক্সরে মেছিন ঙসিদগী শিজিন্নবা হৌরে।

৪) লোক সভাদা ফাইনান্স বিল ২০২৫ গী খন্ন-নৈনবগী থবক হৌখ্রে।

**অমসুং**

৫) কেন্দ্রগী লৌউ শিংঙ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- মপানদা তিলহৌ থাদোকপদা চাদা ২০ এক্সপোর্ট দ্যুতি লৌরম্বা অদু লৌররোই।

**------**

**দিলিমিতেসন (এল)ঃ** মণিপুরদা থা অহুমগী মনুংদা দিলিমিতেসন তৌগদবনি হায়বা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অদুগা মরী লৈননা এম.এল.এ- আর.কে. ইমোনা কেন্দ্র সরকারদা রিপ্রজেন্টেসন অমা লানখৎখ্রে।

মণিপুরদা চহি অনিরোম ইরাং লৈবনা মরম ওইদুনা দিলিমিতেসন তৌবদা নিয়ম খরা ঙাকা চৎপীনবা রিপ্রজেন্টেসন অদুদা পল্লি। পল্লিবা নিয়মশিং অদুদি- মণিপুরদা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিতিজন্স (এন.আর.সি)গী থবক থৌরম

দিলিমিতেসন তৌদ্রিঙৈদা লোইশিনবা, লৈবাক অসিগী অশেংবা নাগরিকখক্তমক দিলিমিতেসন তৌবদা য়াওহনবা অসিনচিংবা য়াওরি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- লমদম অসিদা আইন কায়না মপানদগী চংশিল্লকপা মীতোপশিং খন্দোকবা কেন্দ্র সরকারনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অদুবদি তরামা ওকই। দিলিমিতেসন তৌদ্রিঙৈদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং হান্না খন্দোকপা লোয়ননা অশেংবা ভোতর খক্তমক ইলেক্তোরেল রোলদা হাপ্পীনবা হায়রি।

**টিবি (এল)ঃ** মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি ৪৪ রক শুবা ৱার্ল্ড টি.বি. ডেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসিদা মীয়ামদা টি.বি লায়নাগী মতাংদা পাক শন্না খঙহনবা, নারকপা মতমদা করমা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি হায়বসিগী মতাংদা মীয়াম্বু নিংথিনা খঙহনবনা পালন থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি। ৱার্ল্ড টি.বি. ডেগী মতাংদা রাজ্যগী ষ্টেট টি.বি. ওফিসার, ডাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুর, ডাঃ হেমলাতা থোকচোমনা হায়- টি.বি লায়না অসি মালেমদগী মুখৎনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। চিংনবা লৈরবদি মনাক নকপা লায়েংশঙদা চৎতুনা চাংয়েং তৌথোকপীয়ু।

ইস্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট চীফ মেদিকেল ওফিসারগী ওফিসতা থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ এল. ইন্দিরা দেবী, দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. ওফিসার ডাঃ বিজয়া লক্সমি লাইশ্রমনচিংবা শরুক য়াখি।

৪৪ রক শুবা ৱার্ল্ড টি.বি. ডেগী থৌরম ঙসি মালেমগী লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি। থৌরম অসি রাজ্য অসিগী থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্তা লৈবা নিউ পাব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখি। য়েস ৱি কেন এন্দ টি.বি, কম্মিৎ, ইনভেষ্ট, দিলিভর হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাস, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট মিসন দাইরেক্তর ডাঃ ৱাই. নোকুল শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অহন্থেম শুবাসনা হায়- ঙল্লিঙৈ মতমদা টি.বি. লায়না অসি লায়েংবা ঙমদবা লায়না অমগুম য়ামা কিন্নরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি লায়না অসি হিদাক চারগা য়ামা লাইনা লায়েংবা ঙমলে। অদুমওইনমক, লায়েংবা ঙল্লবসু

লায়না অসিনা মালেমগী ওইনা নোংমদা লিশিং ৪,৪০০ রোমদি শিহল্লি। মরম অসিনা টি.বি. লায়নাবু মতম খঙদোক্তুনা লায়েংবনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সিক্সে মিত্রশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। লোয়ননা টি.বিনা নারবা মীওইশিংদসু ফুড বাস্কেটশিং পীখি।

ৱার্ল্ড টি.বি. ডেগী থৌরম ককচিং জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল ট্যুবরকুলোসিস ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম ককচিংনা শিন্দুনা জিলা অসিগী লাংমৈদোং ড্রামাতিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ ডাঃ য়ুমাম রাধেশ্যাম, সি.এম.ও ককচিং- থৌদেম রাজেন, দিষ্ট্রিক্ট লেপ্রোসি ওফিসার ৱাই. জোটচসনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা নুমিৎ ১০০ নি চথখিবা ইন্টেন্সিফাইদ টি.বি. ইলিমিনেসন কেম্পেনদা মপুং ফানা শরুক য়াখিবা প্রাইমারি হেলথ সব-সেন্তরশিংবু পুকিং থৌগৎখি।

নেসনেল ট্যুবরকুলোসিস ইলিমিনেসন প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনা শিন্দুনা ঙসি ৱার্ল্ড টি.বি. ডেগী থৌরম জিলা অসিদসু পাঙথোকখি। ২০২৫ ফাওবদা ভারত্তগী টি.বি. লায়না মপুং ফানা মুথৎনবা পান্দমদা চংশিল্লিবা নুমিৎ ১০০ নিগী ওইবা ইন্টেন্সিফাইদ টি.বি. ইলিমিনেসন কেম্পেন ঙসি লোইশিনবগা লোয়ননা টি.বি. লায়নাবু ঙন্না খঙদোক্তুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক বগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা চান্দেল জিলাগী সি.এম.ও ডাঃ জোইসন মাথিউ মোনসাং, দিষ্ট্রিক্ট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসার ডাঃ বি. চিংদেনিয়েংনচিংবা শরুক য়াখি।

**ৱাটর হিটর (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা ইন্তিগ্রেতেদ রুরেল ইনর্জি প্রোগ্রাম ২০২৫-২৬ মায় পাকা পায়খৎনবগী পান্দমদা মীয়ামদা অতাবা মমলদা সোলর ৱাটর হিতর ফংহনগদৌরি। রাজ্যগী সাইন্স এন্দ টেকোলোজি বিভাগনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না খুদোংচাবা অসি সরকারগী রেসিদেন্সিয়েল স্কুলশিং, হোষ্টেল নৈবা ইন্সটিট্যুসনশিংদসু পীগনি। মসিগীদমক নমথোল্লকবা দরখাস্ত ফোর্ম নিংথিনা মেনশিল্লগা বিভাগ অসিদা থাজিল্লকপা য়াগনি। নমথোল্লকবা দরখাস্ত ফোর্ম দিপার্টমেন্টকী ৱেব সাইট দব্লিউ.দব্লিউ.দব্লিউ দোট দি.এস.টি দোট জি.ও.ভি দোট ইনদগী

দাউনলোদ তৌবা য়াগনি। খুঙ্গংদা লৈরিবা মাওইশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি হায়রি।

**মেলা (এল)ঃ** রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিন্দুনা ষ্টেট কৃশি মেলা ২০২৫ ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি। হয়েং হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা শরুক য়াগনি। মেলা অসিদা পুথোকপা পোৎলমশিং অতাবা মমলদা য়োনগনি। মেলা অদুদা নেপসেট স্প্রেয়ার অমদি স্প্রিনকলর সেট প্রধান মন্ত্রি কৃশি সিনচাই য়োজনাগী মখাদা অতাবা মমলদা লৌমীশিংদা ফংহনগনি হায়রি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা নৌনা ইন্সটোল তৌরবা অলত্রাসোনোগ্রফি অমসুং এক্সরে মেছিন শিজিন্নবা হৌদোকপগী থৌরম অমা ঙসি হোস্পিতাল অসিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি জিরিবামনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নর কৃষ্ণ কুমার, এস.পি. শৈখ মুহামদ জায়েব জাকির অমদি অহে দি.এল.ও কয়াসু শরুক য়াখি ।

দিপ্যুতি কম্মিসনারনাপি.সি এন্দ পি.এন.দি.টি এন্দ জেন্দর দিটরমিনেসনগী মতাংদা পাঙথোকপা ৱার্কসোপ অমসু হৌদোকখি। ৱার্কসোপ অদুদা জিরিবামগী আশাশিং অমদি পেরা মেদিকেল ষ্টাফ কয়া শরুক য়াখি। মদুগী মমাংদা মহাকা হোস্পিতালগী অকোইবদা চত্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা সি.এম.ও অমদি ডোক্তরশিং থাংগৎলকপা ৱাকৎ কয়াসু তাখি।

**তাঙ্কো (এল)ঃ** ইং ১৮৯১ দা বৃটিশ অমসুং মণিপুর অনিগী মরক্তা শোকখিবা লানদা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকী কংলাদা লৈবা য়ুমগী অকোইৱদা বৃটিশকা লান মায়োক বদা লৈখিদ্রবা পুখ্রন্স তাঙ্কোগী ১৩৪ শুবা নিংশিং নুমিৎ কামোং লাঙ্গোলজম ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। পুখ্রন্বা তাঙ্কো মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈখ্রিদবা অথৌবা অসিগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**সঙ্গিৎ (এল)ঃ** খা মণিপুর হিন্দুস্তানি সঙ্গিৎ মহা বিদ্যালায়া ককচিংনা শিন্দুনা কন্সর্ট ওন হিন্দুস্তানি ক্লাসিকেল ম্যুজিক ২০২৫ ঙসি গ্রেস কোটেজ কলচরেল এন্দ ইজ্‌কেসনেল দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসন ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইবা মহা বিদ্যালায়া অসিগা মহৈরোইশিংগী ওইবা ক্লাসিকেল দ্রুপদ ভোকেল, টবলা সোলো অমদি ক্লাসিকেল ভোকেল সোলোনচিংবা উৎখি।

থৌরম অদুদা খা মণিপুর হিন্দুস্তান সঙ্গিৎ মহাবিদ্যালায়াগী প্রিন্সিপাল এন. ইন্দুমুখি, বিদ্যালায়া অসিগী ষ্টাফ অমসুং মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী শক্তি সিদান স্কিমগী মখাদা থা অহুমগী ওইবা ফি তুবা তন্নগী কোর্স অমা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী কৈথেলমানবী ভিলেজদা হৌদোকখ্রে। নুপী ৮০ রোমা শরুক য়ারিবা ত্রেনিং কোর্স অসি ইন্সটিট্যুট ওফ কম্যুনিতি এক্সন এন্দ রিছোর্স দিভলপমেন্টনা শিনবনি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** নাসা মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা ড্রগ লান্না শিজিন্নবা অমদি নহাশিংবু মশা মউ ফনা থমবগী পান্দমদা নহাশিংবু নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা হকশেল, শিক্ষা অমদি সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগশিংগা খুৎশমরগা চথখিবা থৌরম অদুদা ড্রগ লান্না শিজিন্নবা অমদি হিদাক মনাগী পোৎলমশিং মফম অদুদা য়োলহন্দনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মেদিকেল টিম অমসুং নেসনেল তোবেক্কো কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এন.টি.সি.পি)গী মীহুৎশিং য়াওনা পুলিসকী ওফিসিয়েল কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**হোমগার্দ (এল)ঃ** মণিপুর হোম গার্দ পার্সোনেল মশিং হেনগৎনবা হাই কোর্টনা পীখিবা রাই থবক্তা ওন্থোক্তবগী মায়োক্তা কন্টেম্প কেস অমা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা থাংগৎখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা থবক পায়খৎলি

হায়বগী খুদম এফিদেভিৎ অমদা পীখৎলকবা কোর্টনা চয়োল অমগী মতম পীখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসকী সিভিল দিফেন্স, ফয়ার সার্ভিস অমসুং হোম গার্দকী দিরেক্তর জেনেরেল বি.এল. বোরানা ইং ২০২৪ গী মার্চতা হোম গার্দ মশিং অসি লিশিং ৩,৩৯৪ দা হেনগৎনবা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরিদা খঙহল্লকখি। লোয়ননা তম্পাক্কী অনৌবা জিলা অনি শেমখিবা অসিদা হোম গার্দ পার্সোনেলগী অৱাৎপা লৈরিবা অসি মেনখৎনবা অমদি থবক ফংদ্রিবা নহাশিং থবক পীবীনবা পাউতাক পীবীয়ু হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা কোর্টতা ৱাকৎখি। ইং ২০২৪ গী দিসেম্বরদা কোর্টনা পীখিবা রাই থবক্তা ওন্থোক্তবগীদমক থা অসিগী ২০ দা কন্টেম্প কেস অসি ফাইল তৌখি। লোয়ননা থা অসিগী ২১ দা চথখিবা হিয়ারিং অমদা রেস্পোন্দেন্টনা পায়খৎলিবা থবকশিং চয়োল অমগী মনুংদা এফিদেভিৎকী খুত্থাংদা খঙহল্লক্কদবনি। মখা তাবা হিয়ারিং মে ১৫ দা চথনবা মতম লেপখ্রে হায়রি।

**লোক সভা ঃ** লোক সভাদা ফাইনান্স বিল ২০২৫ গী খন্ন-নৈনবগী থবক হৌখ্রে। খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়ারদুনা কংগ্রেসকী শশি থারুরনা হায়- লৈবাক অসিদা চৎনরিবা গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি.এস.টি) অসি য়ামা চয়েৎনবা ৱাফম অমা ওইরি। মিথাই য়োনবা দুকান ফাওবদা জি.এস.টি চাদা ১৮ থিহল্লি। মসিনা পীকা লল্লোন ঈতিক তৌজরিবা মীওইশিংদা অৱাবা কয়া পীরি। মসি কোকহন্নবা সরকারনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়াখিবা বি.জে.পিগী নিশিকান্ট দুবেনা হায়- মালেম অসি হৌজিক শেল থুমগী অৱাবা খম থেংনা মায়োকরি। অদুমওইনমক, ভারত্তি হৌখিবা চহি তরা অসিদা শেল থুমগা ফিভম নিংথিনা ফগৎলক্লি। ওনলাইনগী খুত্থাংদা চথরিবা জ্বার শান্নবগী এপপশিংদগী চাদা ২৮ সরকারনা খোমগৎলি। মসি হিরম অসিদা মীয়ামা পামবা হেনগৎলক্লিবা অদু থিংনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি। জি.এস.টি খোমগৎলিবগী চাং অসি সরকারনা অমুক হন্না য়েংশিন্নবা খন্নরি।

খন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা সমাজৱাদি পার্তিগী নিরজ মোরিয়ানা হায়- সরকারনা সেদ্যুল কাষ্ট, ও.বি.সি অমসুং মাইনোরিতিশিংদা হেন্না মীৎয়েং চংবা বজেৎ পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মখোয়গী ফিভম ফগৎতনা লৈবাক অসি

কৈদৌঙৈদা চাওখৎপা ঙমলোই হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**তিলহৌ** ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- তিলহৌ থাদুনা শেন্দান লন্বী ওইরিবা লৌমীশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক মপানদা তিলহৌ থাদোকপদা চাদা ২০ এক্সপোর্ট দ্যুতি লৌরম্বা অদু লৌররোই।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রী চৌহান্না হায়- মসিনা লৌমীশিংদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহনবতা নত্তনা মখোয়দা শেন্দোং হেন্না ফংহনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি অমদি মালেমগী কৈথেলদা অতৈ লৈবাকশিংদগী পুথোরকপা তিলহৌগী মমলশিংগা চাংদমবসু ঙম্লগনি। খোঙথাং অসিনা নরেন্দ্র মোদিগী সরকার অসি লৌমীশিংগী খনবা সরকারনি হায়বদু ময়েক শেংলে। মপানদা তিলহৌ থাদোকপদা চাদা ২০ গী এক্সপোর্ট দ্যুতি লৌবা অসি হৌখিবা চহিগী সেপ্তেম্বর ১৩ দগী চৎনরকপনি।

**সেলারি** ঃ মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম.পি)শিংগী তলব অমসুং এম.পি. ওইরম্বশিংগী থাগী পেন্সন মথং থাগী ১ দগী হেনগৎলগনি। পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়- এম.পিশিংগী হৌজিক ফংলিবা থাগী তলব লুপা লাখ ১ অসি লুপা লিশিং ২৪ হেনগৎলগা লুপা লাখ ১ লিশিং ২৪ ওইরগনি। অদুগা এম.পি. ওইরম্বশিংগী থাগী পেন্সন লুপা লিশিং ২৫ ওইরিবা অসি লুপা লিশিং ৬ হেনগৎলগা লুপা লিশিং ৩১ ওইরগনি। অদুগা সিত্তিং চার্জ হৌজিক লুপা লিশিং ২ পীরিবা অসি লুপা ৫০০ হেনগৎলগা লুপা লিশিং ২,৫০০ পীরগনি হায়রি।

**জিতেন্দ্র** ঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- টি.বি. লায়নানা মরম ওইদুনা নিউ দিল্লিদা য়ুম য়ুমদা তোঙান্না থম্লিবা মীওই লিশিং ১০ গী জেনোম সিক্বেন্সিং তৌবা লোইরে।

মালেমগী টি.বি. নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা ৱাফম অসি ডাঃ জিতেন্দ্রনা ঙসি লাউথোকখিবনি। মহাকা পাউমীশিংদা হায়- লৈবাক অসিদা ইং ২০৩০ ফাওবদা টি.বি. লায়না পুংমুৎ মুথৎনবা পান্দম থম্লি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা লায়না অসি চাদা ৯০ লৈবাক অসিগী মুথৎপা ঙমলে। লেমহৌরিবা চাদা ১০ ইং ২০৩০

ফাওবদা মুখৎনবা অকনবা থবক পায়খৎলি। অদুমওইনমক চৎলিবা চহি অসিদা লৈবাক অসি টি.বি. লায়না লৈহন্দবা লৈবাক ওইহনবা ঙম্বা হায়বদু য়েংশিল্লি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ--**

**কাং (এল)ঃ** অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- খুন্দ্রাকপমনা এস.এস.য়ুবু পাঞ্জল ১৬-১৪ তা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দ-লমলোং থোংখোংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা আর.এ.ঐচ.ই.ই.য়ু.সিনা তিদিম রোড এথলেটিক য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমসুং ইলিট এফ.এ পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অহানবা ৱিমেন্স ফুটসাল ইন্তর ক্লব চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবনা য়ং ৱেলফ্যার ক্লবপু পাঞ্জল ৭-৫ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ২২-২ দা, এফ.সি ইম্ফালনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ১২-৪ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিয়েল টি-ট্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রেজ নাগামপালনা ৱাই.য়ু.সি.সি মোইরাংপুরেলবু রন ১৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা বি.এস.সি ব্রহ্মপুরনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

**পোলো (এল)ঃ** ৩৭ শুবা এন হজারি অমসুং ডা.এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টোরনামেন্ট ২০২৫গী ফাইনেল মেটচ হয়েং শান্নরগনি। হয়েং শান্নগদবা ফাইনেল

মেটচ অসিদা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈ অমদি এম.পি.এস.সি(বি)না লম্বা থেংনগনি। ফাইনেল মেটচ অসি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা শান্নগনি।

------